## লৌবুক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়বসি থবক্তা ওন্থোকপিয়ু ঃ কম্মিটি

বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ অহেনবা পোখোক পুথোক্ল-বগীদমক লৌবুক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু থাগৎনিঙাইনি হায়না এল এল আই ফার্মরস দিভলপমেন্ট কম্মিটি বিষ্ণুপুরনা ফোঙদোক্লদুনা থবক্তা ওন্থোকপিয়ু হায়রি।

কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট এন সনাজাওবা সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৌমীশিংগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা খুদোংচাদবা অৱাৎ অপা কয়া মতেং পাংবিনবা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট, মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্টনা থৱায় য়াওশিনবা মথৌ তাই।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি ঈশ্বরনা পীবিরকপা লোক্তাক পাৎ লৈবনিনা হৌজিক হৌজিক মপূং ফানা চল্লাইবা ঙমদ্রিবা এল এল আই প্রোজেক্টতা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা নীংথিনা মথৌ তৌহল্লবদি কুম্বি কালেন নাইদনা লৌ পরি লিশিং ২৪ হেনবদা ঈশিং পীবা ঙমগনি। ঈশিং লৈতবনা লোক্তাক ময়াদা লৈরবসু লৌবুকশিং লৈক্রক চৎতুনা লৈরি। এল এল আই প্রোজেক্ট অসি মপূং ফানা মথৌ তৌরবদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী হেন্না চাথোক পুথোকপা ঙম্বা দিষ্ট্রিক্ট ওইগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা চহীদা ইকং থোকখিবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা অমদি এল রথাকিশ্বর এম এল এ (ওইনাম এ সি)না কন্না হোৎনদুনা এল এল আইনা কোনবা মফমদা লৌ পরি ৮,৫০০ রোমদা ঈশিং পীদুনা চাথোক নীংথিনা পুথোকপা ঙমহনখিবনি। অদুবু লুরিবদি হৌজিক ৩.৫ এম ভিগী শীজিন্নবা য়াবা ট্রান্সফোর্মর অমত্তা লৈতবনা পম্প হাউস চল্লাইবা য়াদবদগী অঙনফৌ থানবা ঈশিং লৈতবনা লৌ পানবা ঙমদনা কোক্তা খূৎ হাপ্লরে। ফনা কন্না হোৎনরবসু ঈশিংবু লৈত্রবদি রবি অমদি খরিফকী মহৈ মরোং খূদিংমক মতিক চানা পোখোক পুথোকপা ঙম্লোই। তঙাইফদনা পম্প হাউস নম্বর ১ গী ৩.৫ এম ভি ট্রান্সফোর্মর অমা অথুবদা থম্বগা লোয়ননা কেনেলশিং নীংথিনা শেমজিন শাজিনবিরবা মতম চূপ্পদা ঈশিং পীরবদি চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টরনা লৌবুক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোংবা মরু লাইফমলেন্দা উরেল উজাও য়াল্লম্বশিং থিদোক্তুনা চৈরাক পীবিনবা হায়জখ্রে ঃ উকল

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ লমদমসিগী পুৱারী, নাৎ, চৎনবী অমদি লাইনীংগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা লাইফম অমা ওইরিবা কোংবা মরু লাইফমলেন্দা হৌবা উরেল উজাও তুবা য়াবা মওংদা য়াম্থৎলম্বা অসি গভর্ণমেন্টনা লূম্না লৌদুনা মরাল লৈবশিং থিদোক্তুনা পীফম থোকপা চৈরাক পীবিয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা হায়জখ্রে হায়না উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) না ফোঙদোরক্লি।

উকলগী জেনরেল সেক্রেটরী এম জিলাঙম্বনা ঙসি মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কোংবা মরু লাইফমলেন্দা গভর্ণমেন্টনা থৌশাবিদবা অমদি মফম অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং তাবি উবিদবদগী লাইফম অসি মাঙখিবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লে। লাইফম অসিদা হৌরিবা য়াম্না মরু ওইবা উনিংথৌ মচিন-মনাও হায়না খঙনবা পুৱারীগা শাগোন্নবা উরেল উজাও অনীগী মনুংদা অমা ২০০৬ তা মফম মরাং খঙদনা য়াম্থৎলমখি। মতুং তারকপদা হৌজিক কোভিদ-১৯ গা লাম্থেংনরিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম মপান থোকপা য়ানদনা লৈরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা উরেল উজাও অমসু তুবা য়াবা মওংদা য়াম্থৎলম্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসি গভর্ণমেন্টনা থৌশাদবদগী থোকপনি হায়না লৌই।

চেরোল অসিনা হায়, কোংবা মরু লাইফমগী চীং অসি কোংবা তুরেলগী হৌরকফম ওইবা তম্পাক্কা য়াম্না নক্লবা চীংনি। চীং অসি উ খরা হৌবা মরম্না কুম্বি কালেন নাইদনা ইচেল অমদি লেপ্তুনা চেনবা মফম্নি। অপিকপা ইচেল অসিনা য়ুম্নাম খুনৌ অমদি খুন্দ্রাকপমগী অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অমদি শা ষণনা শীজিন্নরিবনি। লাইফম অসিদা হৌরিবা উশিং হৌখিবা চহীদগী পাক্তক্লনা য়াম্থৎপসু হৌরক্লি। চীংদোল ফাওবা লম্বী শেমদুনা অমদি মেছিন শীজিন্নদুনা উ য়ানবা হৌরকপদগী হৌনা ঙসি ফাওবা উকলনা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবশিংদা থিংবিনবা হায়জদুনা লাকখিবনি। মফম অসি পুরিবা ফোরেষ্ট ওফিসার অমদি মরী লৈনবা ষ্টাফশিংগা উ ককলিবা চীংদোল অদু য়ৌনা কামিন্নদুনা য়েংশিনমিন্নরুরে। অদুবু করিসু তৌখিদ্রে। হন্দক ফেব্রুৱারিগী অহৌবদসু চীংদোল অসি কাদুনা য়েংলুবদা অয়াম্বা মফম লম্বী শেমদুনা উ পূম্নমক য়াল্লগা পৈদুনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি।

অথাপ্পা চীংনুং মানুংসু নত্তবা, য়াম্না ৱাংবা শুকপসু নত্তবা মরু ওইবা লাইফম অমসু ওইরিবা অদুগা কুমজা ১৯৩২ দা মণিপুর দরবারনা লাইগী লম্লি হায়না পীরম্লগী অইবা চেসু লৈরিবা অসিদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা তুমিন্না লৈথোক্লিবা অসি মথৌ তৌনিংদবদগীরা নৎত্রগা কনাগুম্বনা কিহনবদগীরা হায়বদু খন্ননিঙাই ওই। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগা শাগোন্নরকখিবা চীং অসি গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা নীংথিনা য়েংশিনফম থোকপনি হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা চীংদোল ফাওবা মেছিন শীজিন্নদুনা উ য়াল্লিবশিং অমদি কোকথোক্তুনা পোপি থারিবশিংনা উনিংথৌ মচিন-মনাও য়াম্থৎলম্লিবা অসিগী দাইত্ব লৌগদবনি হায়রি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনসু লূম্না লৌদুনা মরাল লৈবশিং থিদোক্তুনা আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক পীফম থোকহন্নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এন পি এফনা তেঙবাংখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংচনবা সঙ্গাইয়ুম্ফমগী শোখনা লৈবা য়ুমথোঙশিংদা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) মণিপুর ষ্টেটকী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেঙবাংখ্রে।

এন পি এফগী ষ্টেট মেম্বর অসলম রাজনা থৌদাং লৌদুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েম্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা হায়, অফং অফংবা থবক শু নোমদুনা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা মীওইশিংদি লোকদাউন্না মরম ওইরগা চানিঙাই লৈতবগী খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা তাঞ্জাদা এন পি এফনা ঙমজবা খরা মতেং পাংলি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মরু ফংনা মুখৎনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা থৌরাংদা ঐখোয় খূদিংমক্না ঙাক্না চৎমিন্নসি হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি। তেঙবাং পোৎলমশিং অদু য়েম্থোকপগা লোয়ননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা বেজ তৌবা পাউমীশিংদসু অচম্বা খুদোল তমখি হায়রি।

## কোরোনা শম্বল খাবা বোর্দর পিল্লর ৭৩ য়ৌখ্রে

মোরে, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঙমখৈদা লৈবা অরোইবা খুল ফাওবা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ খুঞ্জাশিংদা ফংহনখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা ঙমখৈ পরিংগী অরোনবা লম্বী শম্বল খাজিনবগী থবক বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৩ ফাওবা য়ৌখ্রে হায়রি।



দিপ্যুটি কম্মিস্নর এম রাজকুমার, এস পি তেংনৌপল টিঐচ বিক্রমজিৎ, এদিস্নেল এস পিশিং টিঐচ কৃষ্ণতোম্বী অমদি এম অমিট, ও সি মোরে কম্মান্দো প্রকাস য়াওনা ঙরাং মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা খুল কয়াদা চত্তুনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা য়ুমথোঙ খুদিংদা চেঙ ফংহনখি। অদুগা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী অরোইবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭২ অমসুং ৭৩গী মরক্তা লৈবা অহোবা মফমশিং শম্বল খাজিনবগী থবক চংখি।

অৱা তেঙবাংগী চেঙ য়েম্থোকখিবা খুলশিং অদুদি চোঞ্জাং ভিল্লেজ, সি ঐচ তেংনৌপল, টি বোংমোল অমসুং য়াগৌবুং ভিল্লেজনি। মখা তানা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী লোন্নবা অরোইবা ঙমখৈদা লৈবা ন্যু দি জেলেনবুং ভিল্লেজদা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী ওপন মার্কেট সেল স্কিম (ও এম সি সি)গী মখাদা চেঙ য়েম্থোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসি-য়েলশিং য়াওনা মফম অদুদা লাক্তুনা চেঙ য়েম্থোকপগীদমক খুঞ্জাশিংনা হরাউবা অমদি অপেনবা ফোঙ-দোক্তুনা দি সি অমদি এস পিনচিংবা ওফিসিয়েলশিংদা অচম্বা খুদোলসু তমখি হায়রি।

কাঙবু অদুনা খুলশিং অদু য়ৌনা চঙশিন্নবা হোৎনবদা লম্বীগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনখি অদুবু এদিস্নেল এস পি (ওপস) টিঐচ কৃষ্ণতোম্বী অমদি মহাক্কী টিম্না য়োৎপাক পায়দুনা ফত্তবা লম্বীশিং অদু গারী চৎপা য়ানবা শেমজিনখি। অসিদসু নত্তনা শক্তিমান গারী ৱাইদুনা চেঙ বোরা কয়াসু পুশিনখি।

খোঙচৎ অদুদা ঙমখৈ পরিংগী অহোবা মফমশিং শম্বল খাজিনবগী থবকসু চংখি হায়রদুনা খুলগী নহা কয়াসু থবক অদুদা য়াওদুনা মতেং পাংশিনখি। ম্যান্মাররোমদগী মী চঙলক্তনবা শম্বল খাজিনবগী থবক্তা খুঞ্জাশিংনা অপেনবা অমসুং থাগৎপসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ চৎলিবা থা অসিগী ১৭কী নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা চন্দ্রনদি তৌপোকপিদা লৈবা হৈবোক ফিল্লিং ওইল পম্পদা মথৌ তৌখিবা সি এ এফ এন্দ পি দি দিপার্টমেন্টকী সিভিল সপ্লাই ইন্সপেক্টর হাওবম বোবি অমদি এরিয়া ওফিসার এল ইবোতোম্বী সিংহবু মীওই খরনা তমথিনা ফু চৈদুনা অশোক অপন নংখিবা থৌওংবু সি এ এফ এন্দ পি দি ইমপ্লোইজ য়ুনিয়ন্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লৌখৎখিবা এফ আই আরগী মতুং ইন্না অথুবদা চেন্নরিবা মীওইশিং এক্সন লৌবিয়ু।

## কোংখাম মখা, কবুই খুলদা চানবা য়েনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি কোংখাম লৈকাই নম্বোলনা শীন্দুনা কোংখাম মখা লৈকাই অমসুং কোংখাম কবুই খুলগী মীয়ামদা কোবি, অচাথাউ, হৱাই, অলু, থুম, তিলহৌ, সাপোন, পাফোর অমসুং সরপনচিংবা পোৎলমশিং য়েম্থোকখ্রে।

য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন কোংখাম মখা লৈকাইগী সেক্রেটরী কিরনজিৎ সিংহ মাইবম্না ফোঙদো-রকখিবদি করিগুম্বা লোকদাউন মখা চংখরক্লবসু কম্মিটিনা দরকার লৈবা পোৎলমশিং লৈকাই অনী অসিগী মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরি।

## লোকদাউনগী নিয়ম ঙাক্তবদি তৌহন্নিংদে ঃ সি পি আই

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ কোভিদ-১৯ থেংনরিবা অসিদা মীয়াম্না ৱাৱবসু, লৈত্রবসু লোকদাউনগী নিয়ম অমত্তা ঙাক্তনা থবক থৌওং কয়া চংখরিবা অসিদি তৌহন্নিংদে হায়না সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ফোঙদোক্লদুনা গভর্ণমেন্টনা লাউথোক্লিবা অমদি ডাক্তরশিংনা হায়রিবা ৱাফম কয়া অসি ঙাক্না চৎমিন্নসি হায়না আপিল তৌরি।

সি পি আই ষ্টেট কাউন্সিলগী চেরোল অমনা হায়, মাস্ক উপ্তনা চৎপা, লোন্না থুপ্না থৌদোক ৱাথোক চাউনা পাঙথোকপা অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা শীজিন্নদবা অসি ফত্তবা মওং অমনি। অমরোমদা অনাবগী লাইওং অমত্তা উত্তবা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইরম্বা লৈবনা মণিপুরগী ওইনসু য়াম্না চেকশিন্নিঙাই ওইরি। অরুবা অমনা ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদগী শকখঙদবা কয়াসু লোন্না চঙশিল্লক্লি হায়বগী মমি তাদবা নত্তে। মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হেন্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহন্নিংই। মণিপুরগী ৱাংমদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরী লিশিং কয়া পুশিল্লক্লবা হোৎনরি অদুবু হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লবা য়াবগী ওইথোক্তবসু নত্তে হায়নসু ফোঙদোরক্লি। চংখরিবা লাম্থেং অসিদা গভর্ণমেন্টনা থাদরিবা শেনফম অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীবদা অৱাৎপা কয়ামরুম লৈরি। মরক্তা লৈবা এজেন্টগুম্বা খরনা য়েল্লিবা পোৎশিং খপহৌনবা হোৎনবা অসিনা মীয়ামদা পেন্দবা কয়া লৈরিবসি লৈহন্দনবসু হোৎনফম থোকই হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোন্থৌজম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংচনবা ন্যু কৈথেলমানবীদা লৈবা মীওই অনীখক্তং লৈবা ইমুং অমদা মার্চ অমসুং এপ্রিল থা ২ গী লেম্না পীবা চেঙ পীবিদ্রে হায়না সি পি আই কোন্থৌজম লোকেল কাউন্সিলনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল কাউন্সিলগী সেক্রেটরী ডা. খোমদ্রাম থোইবা সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি লোকেল এম এল এনা অৱা তেঙবাংগী পোৎলম কয়া য়েম্থোকপা মতমদসু হায়রিবা ইমুং অসিগী চাকথুং অমত্তা পীরমদ্রে। ফিভম অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা য়েংশিনবিদুনা ফংফম থোকপশিং অদু অথুবদা ফংহনবিয়ু হায়রি।

## জিরিবামদা পব্লিসিটি কেম্পেইন হৌখ্রে


জিরিবাম, এপ্রিল ২৭ (জে এন এন )ঃ দিপ্যুটি কম্মিস্নর জিরিবাম্না লুচিংবা কোভিদ-১৯ কোওর্দিনেটিং সেলগী মখাদা কোভিদ-১৯গী পব্লিসিটি কেম্পেইন ঙরাং কমরঙ্গদা হৌখিবগা লোয়ননা ঙসিনা সোনাপুরদা পাঙথোকখ্রে।

ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসন (অজুকা)না দি সি অমসুং সি এম ওগী মীৎয়েং মখাদা পব্লিসিটি কেম্পেইন অদু চংখিবনি। মরু ওইনা ক্বারেন্টিন তৌরুরবা মতুং য়ুম য়ুমদা লৈরিবা মীওইশিংবু লান্না লৌবিগনু অমসুং মখোয়বু খুঞ্জাশিংনা নুংশিবিয়ু অমদি মীয়াম্না সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপিয়ু হায়বা ৱাফম কয়া মীয়ামদা খঙহনখি হায়না অজুকাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম প্রেমচন্দ্র সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা জিরিবামগী লাতিংখল খুলগী ৱার্দ নম্বর ৪ অমসুং ৫ গী চেঙ দিল্লর দেবসঙ্কর কৌবা অমনা মীয়ামদা য়েনগদবা চেঙ লোন্না য়েম্থোক্লম্বদগী ঙরাং লৈকাইগী মীওইশিংনা ফারে হায়রি। এন ও দব্লিউনা পীবা পাউদা হায়, হায়রিবা দিল্লর অসি মমাঙদসু অরানবা কয়া তৌখিবা লৈখ্রে। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মহাকপু অথুবদা শিন্দোকপিয়ু হায়না ধরুবা নামোসৌরা কৌবা খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকখি।

## ৱাইখোং পাইন রিজার্ভ ফোরেষ্টতা শাজিল্লকপা শঙ ২ থুদেকখ্রে

ককচিং, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন ককচিং রেঞ্জগী মখাদা লৈবা ৱাইখোং বিট ওফিসনা কোনবা ৱাইখোং পাইন রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুংচনবা ৱাইখোং মনিং চীংদা লোগী ৱাংমদা নৌনা শাজিল্লকপা শঙ ২ ঙসি অয়ুক ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা থুদেকখ্রে।



থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও দেবলা লাইফ্রাকপমগী মীৎয়েং মখাদা বি ও ৱাইখোং এন ব্রোজেন্না লুচিংবা ৱাইখোং অমসুং ৱাঙু লমখাই ফোরেষ্ট বিট ওফিসকী ষ্টাফশিংনা ঙসি নৌনা শাজিল্লম্বা শঙশিং অদু থুদেকখিবনি। লম খোপচিন্দুনা শঙ শাজিল্লম্বা অদুগী মতাংদা রেঞ্জ ওফিসার ককচিং এন মুনাল মৈতৈনা ফোঙদোরকখিবদি লোগী ৱাংমদা শাজিল্লম্বা শঙ ২ অদু মফম অদুদা ফার্ম তৌবশিংগীনি। কককচিং রেঞ্জগী এরিয়াদা লৈবা রিজার্ভ ফোরেষ্টতা লম খোপচিল্লক-পশিংদা চে থাদুনা মাঙজৌননা হন্দোক্লবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি। হৌজিক হৌজিক অয়াম্বা মফমদা লম খোপচিল্লকপশিং তকথোকপগী চংখরিবা খোঙজংগী মনুংচন্না ঙসি ককচিং রেঞ্জগী মনুংদা লৈবা প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্টশিং হায়বদি থোঙাম মোন্দুম রিজার্ভ ফোরেষ্ট, থোংজাও রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমসুং ৱাইখোং পাইন রিজার্ভ ফোরেষ্টতা লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকপা অমদি শিদোকপা হৌরকখিবনি। লম খোপচিল্লিবশিংনা মতম লৈরিঙৈদা শিদোকপা অমসুং তকথোকপগী মপোৎ মচৈশিং অদু হোন্দোকখিনবসু খঙহনখি।

মীয়ামগী লন ওইরিবা ফোরেষ্ট কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা মপূং ফাবা কোওপরেসন পীবিয়ু হায়নসু আর ও মুনালনা আপিল তৌখি।

নাকল অমরোমদা সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুংচনবা কম্পার্টমেন্ট নম্বর ৪ দা নৌনা শাগৎপা য়ুম অমসু রেঞ্জ ওফিস সদর ৱেষ্টকী টিম্না থুদেকখ্রে হায়রি।

## সেদো হিয়াংলমদা শেল তেঙবাংখ্রে

ককচিং, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ লোকদাউনগী অৱা চৈথেং মায়োক্লরিবা অসিনা মরম ওইরগা হিয়াংলমদা লৈবা মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংনবগীদমক সোসিয়েল এন্দ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সেদো) কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা শেলগী তেঙবাং পীনরকখ্রে।

রিলিফ কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট বোরমনিনা ফোঙদোরকখিবদি কম্মিটি অসিবু পূক্লিং থৌগৎতুনা ককচিং বজারদা লৈবা কে কে আর ইন্টরপ্রাইজেসকী মপু লোংজম কিষণ অপোকপা ইঙোচা হিয়াংলম হিরানমৈনা লুপা লাক্ষ ১গী মতেং পীরকখ্রে।

সেদোনা পুকচেল চাউরবা দোনরশিংগী তেঙবাংগা লোয়ননা হিয়াংলম খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ ২,১০০ হেনবদা মতেং পাংখ্রে। মখা তারকপা ওইনসু হিয়াংলম খুন্দগী মণিপুরগী মপান্দা হৌজিক হৌজিক লৈরিবশিংদা অঙম্বা মতেং পাংনবা হোৎনরি। মসিগীদমক ৱাবগাই তেরাপিশক্তগী ই অমিদকুমারনা থৌদাং লৌদুনা হোৎনরি। অদুগা ঙসিনা হিয়াংলম খুঙংদা লৈবা লোংজম কিষন্না লুপা লাক্ষ ১ মতেং পীরকখি। সেদোগী রিলিফ কম্মিটিদা তেঙবাং পীরকখিবা পূম্নমকপুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

## কুম্বি কলেজ মহৈরোয়শিংনা তেঙবাং য়েম্থোকপা লোইশিনখ্রে

কুম্বি, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ কুম্বি কলেজ ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরী বিকেন নিংথৌজমগী লিচিং মখাদা কুম্বি অমসুং থংনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা কা হেন্না শোথরবা ইমুংশিংদা তেঙবাং পোৎলমশিং য়েম্থোকপা ঙরাং লোইশিনখ্রে।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তগী হৌনা কুম্বি, ইথাই ৱাপোকপি, সলান কোঞ্জিন, হাওতক, তেরাখোং, ৱাঙু, ৱাঙু তেরা, ৱাঙু সাবল, ৱাঙু নৌদাখোং, সন্দংখোং, নাপচীং, ইথাই লাইখোং, ৱারুকোক, বোরায়াংবি, কোম্বিখোক, লৈঙাং মংজিন্নচিংবা মফমদা কা হেন্না অৱাবা নংলিবা ইমুং ৩০০ লোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েম্থোকখি। মখা তানসু মতেং পাংখিগনি হায়না বিকেন নিংথৌজম্না ফোঙদোক্লদুনা গভর্ণমেন্ট, লোকেল এম এল এ অমদি সোসিয়েল ৱার্করশিংনসু অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামবু য়েংশিনবিয়ু হায়খি।

## শেম্বীলৈমা গার্লস চিলদ্রেন হোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে

নম্বোল, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৈমপোকপম, ককয়াই, খুনফম, কৈনৌ, মাইবম, নম্বোলগী অকোয়বদা লৈবা লিগেল এইদ ক্লিনিক সেন্টর মঙাগী পারা লিগেল ভোলুন্টিয়ার (পি এল ভি)শিংনা ইশোক হৈকোন্দা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ ভিল্লেজ ওর্গনাইজেসন (আই ভি ও) না চল্লাইবা শেম্বিলৈমা গার্লস চিলদ্রেন হোমদা ঙসি চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট পি এল ভি ফোরমগী কনভেনর এল তোম্পোক লুৱাংনা লুচিংবা পি ভি এলশিংনা হোম অসিদা চেঙ, অলু, অচাথাউ, চিনি, অচাপোৎ, হকচাং শাপোন্নচিংবা তেঙবাং পোৎলমশিং ঙসি অয়ুক হোম অসিগী ফাউন্দর এস ওপেন্না খূৎশিন্নখ্রে।

লিগেল এইদ ক্লিনিক সেন্টর ৫ অসিনা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বুংতে খুল্লেন্দসু লোকদাউনগা মরী লৈননা চানবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়রি।

## গুলি কানিগা কোন্না মীওই ১ ফারগা মোইরাং পুলিসতা শিন্নখ্রে

মোইরাং, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ লোকদাউন চংখরিঙৈ অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং থিংনবা খোঙজংগী মনুং চন্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সুনুসিফাই য়ুথ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী থৌমীশিংনা মখল কয়াগী গুলি, কানি অমদি সিরিঞ্জগা লোয়ননা মীওই ১ ফারবা মতুং মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, সুনুসিফাই মনিং চীংদা চিংনিনিঙাই ওইবা মওংদা লাকপা মীওই অমা চেক তৌরুবদা এস পি টেব্লেৎ, দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ, কানি অমদি সিরিঞ্জনচিংবা পোৎলম কয়া য়াওরম্বা থেংনখি। মীওই অদু চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংচিংমানবী ভিল্লেজদগী লুংচুঙম কুকি (৪১) নি হায়বা খঙলে। মহাক ঙরাং নুমিদাংৱাই সুনুসিফাই য়ুথ ৱেলফয়ার এসোসিয়েসনগী থৌমী-শিংনা ফাখিবনি। তুংদা সুনুসিফাই অৱাং কম্যুনিটি হোলদা পুথোক্লবা মতুং মোইরাং পুলিসতা শিন্নখিবনি।

## মোরেগী মীওই ১১০০ দা মতেং পাংখ্রে

মোরে, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ ভি এস আর এদুকেসন ফাউন্দেসনগী বেন্নর মখাদা টামিল সঙ্গম মোরেগী প্রসিদেন্ট ভি সেখরনা মোরেদা লৈবা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামগী খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবগীদমক তোঙানবা তোঙানবা ফুরুপকী মীওই ১১০০ দা থাউ, থুম, তিলহৌ, কোবি য়াওনা মতেং পাংখ্রে।

পোৎলমশিং অদু য়েম্থোক্তুনা মতেং পাংবা অদুদা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংসু লৌখৎখি হায়রি।

## লাঙ্গোল ৱাপল লৈকাইদা চেঙ ফংদ্রি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবা লৈবাক অসিগী ওইনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংদা লোকদাউন চংখরিঙৈ অসিদা লাঙ্গোল জোন ফোরগী এরিয়া ৱাপল লৈকাইদা লৈবা ইমুং অমদি অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংনা ঙসি ফাওবা অৱা তেঙবাং ওইনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী চেঙ মরু অমা ফাওবা ফংবা লৈত্রি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, হৌখিবা মার্চ ২২ দা জনতা কার্ফিউ চংখ্রবা মতুং চংখরকখিবা লোকদাউন্না মরম ওইরগা মীয়াম য়ুম য়ুমদগী মপান থোক্লখিদ্রে। ষ্টেট অসিগী ওইনা অমুক কার্ফিউ থমজিনখিবা অমদি মাস্ক উপ্তুনা মপান থোকপা য়ারোই হায়বনচিংবা কয়া অমসু লাউথোকখ্রে। অদুবু চাদবদি য়াদে, পৈশা লৈরবসু চান-থক্লবা পোৎচৈ লৈফম লৈতে। দুকানসু থোঙ হাংনদে। অদুনা লাঙ্গোল জোন ফোরগী এরিয়া ৱাপল লৈকাইদা লৈবা য়ুম ৩২ অমদি অশানবা য়ুমদা লৈবা ইমুং ২৯ লোমদি ঙসি ফাওবা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা মতেং অমত্তা ফংদ্রি। এরিয়া অসিগী ইস্কোন কমপ্লেক্স মমাঙদগী নেচরকিওর হোস্পিটালগা তাইনবা মফমমক্তদা অশানবা য়ুমদা ইমুং কয়া লৈরি। মখোয় পূম্নমক লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা য়ুম য়ুমদগী মপান থোক্তবনা তঙাইফদনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কলচরেল ফোরম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৭ (এস এন এস )ঃ নেস্নেল স্কুল ওফ দ্রামা (এন এস দি) ন্যু দিল্লিগী গ্রেজুয়েৎ ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোবু মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরী ওইনা হাপ্লকপদা কলচরেল ফোরম মণিপুরনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা ফোঙদোরকখিবদি একাদেমি অসিগী সেক্রেটরী ওইনা ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোবু হাপ্লকপা অসি আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লগনি। মণিপুরী কালা, সংস্কৃতিবু চাউখৎনবা হোৎনবদা থৌনা লৈনা মাঙজিন থাখিবা জুগিন্দ্রো হৌজিক হৌজিক ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর কোলকতাগী বোর্দ মেম্বর, সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী মখাদা লৈবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট খরগীসু মেম্বর ওইরি। মহাক মশক নাইবা অইবা অমসুনি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২৮-০৪-২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হকচাং ৱাখল শেলগী নুংঙাইবা ৱাৎপা মতম্নি। চরক চহিং নাইবা মতম্নি। কল্লকপা য়াম্মী। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** হকচাং ৱাখল, শেলগী ফিভম, থবক থৌরমদা অফবা মতম্নি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। লম চৎপা কান্নগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫,৬, ৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, কোক শাবা মতম্নি। লম চৎপা মী তিন্নবদি চেকশিনবা ফগনি। শাওদবা ফগনি। পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ ফগনি।

**সিংহঃ** খৎনবা, শোক্কনবা, পামদবা থেংনরগনি। হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। মীগী মতেং পাংলুগনু। কল্লকপা য়াম্মী। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ খরা ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, হোৎনজমন কান্নবা ফংলগনি। লম চৎপা মী তিন্নবদি হৈ শিংউ পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩, ১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, হোৎনবা য়াবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংলগনি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** খৎনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা মতম্নি। চখোক চৎশিন্দা হেন্না চেকশিনবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ ফত্তে, ১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** খৎননিংগনি, তপথবা ফগনি। মীনা য়েংশিল্লি, লম চৎপা গারী থৌবা চেকশিল্লু। শেল চৎলগনি খুদোংচাবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপসু য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** হকচাং ৱাখল, থবক শেল মরুপ মফমশিং ফগৎপা মতম্নি। খুদোংচাবা তোয়না থেংনরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২, ২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** থবক শেল, মরুপ অমদি চখোক চৎশিন্দা অফবা মতম্নি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪, ২৫ অফবনি।

**মীনঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, শাওনবা, পামদবা থেংনবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা তৌরগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ হেন্না ফত্তে, ২৭ খরা ফগনি।

চাকঙাই ৱারী-১৬

শীংজনবা অমসুং অশিবগী লাই

অইবা অমসুং অয়েকপা নোং পান

